# থবক্তগী পোত্থারক্লবা মতুংসিদা হৌজিক ঐনা পামজবদি জিম্নাষ্টিক্স অসি খরা হেন্না ফগৎহন্নবা হোৎনবনি ঃ টিকেন



লাইশ্রম টিকেন সিংহ
(ভেটরান জিম্নাষ্ট)



(হান্নগী মখা...)

ঐহাক ইশাগী ওইনসু জিম্নাষ্টিক্সকী মতাংদদি অখন্নবা কোর্স কয়াদা শরুক য়াবা ফংজরকখি। মাষ্টর ওফ স্পোর্টস (১৯৮৬-৮৮) তা টোপ্পর লৌরবা মতুংদা মখা তানা এদভান্স কোর্স কয়াদসু য়াওজরকখি।

কুমজা ১৯৮৮-৮৯ দা জর্মন এক্সপার্টশিংগী লমজিং লমতাক মখাদা চথখিবা এদভান্স কোর্স ইন বাইওমেটিক্স এন্দ ফঙ্কসনেল দাইগোনোষ্টিক্সতসু শরুক য়াজরকখি।

অসিদসু নত্তনা কুমজা ২০০২ দা ওষ্ট্রেলিয়ন এক্সপার্টশিংগী কোর্সতসু য়াওবা ফংজরকখি। কুমজা ১৯৮৯-৯০ দা য়ু এস এস আর (সোসিয়েট য়ুনিয়ন) গী লমজিং লমতাক মখাদা তৌখিবা স্পোর্টস প্লান্নিং কোর্স, মেনেজমেন্ট এন্দ মোনিটরিং ওফ হায় পার্ফোমেন্স স্পোর্টস ত্রেনিং প্রোগ্রামদসু য়াওজরকখি।

মসিদগী মখা তারকপা কুমজা ২০০৪ দা তৌখিবা ইন্দো ওষ্ট্রেলিয়ান স্পোর্টস দিভলপমেন্ট সেমিনারদসু য়াওবা ফংজরকখি। লোয়নন্না কুমজা ২০০৬ তা ক্বাটরদা তৌখিবা দোহা এসিয়ন গেমসতসু ইন্দিয়াগী রিপ্রজেন্টেটিব (টেক্নিকেল মেম্বর কম ওবজার্ভর) ওইনা শরুক য়াজরকখি।

অসিগুম্বা মখলগী ত্রেনিং সেমিনার কয়াদা য়াওজরকপগী মপান্না স্পোর্টস দিভলপমেন্ট করম্না তৌদগগে হায়বসিসু খরদি খঙজরকখি।

কুমজা ১৯৮৯ দা এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর ওইনা লাকখিবা অদুদগী মথং মথং চঙশিল্লত্তুনা কুমজা ১৯৯৬ কী জান্যুৱারী থাদদি ঐহাক দেপ্যুটি দিরেক্টর ওইনা থৌ পুরকখি।

কুমজা ১৯৯৭-২০০৮ ফাওবসু ঐহাক সাই ইম্ফাল সেন্তরগী রিজনেল হেদ ওইনা লৈজরকখি। মরত্তুদা কুমজা ২০০৭ কী মে থাদা সাই রিজনেল সেন্তর ইম্ফালগী দিরেক্টর ওইনা প্রমোসন ফংজখি।

সাই ইম্ফাল সেন্তরগী রিজনেল হেদ ওইনা পুজরিঙৈদা ষ্টেটসিদগী মশক নাইবা শান্নরোয় কয়া পুথোকপা ঙমখি। বোক্সিংগী, ৱেথলিফটিংগী, জুদোগী মশক নাইবা শান্নরোয় কয়া হায়রিবা মতমদুদা ময়েক শেংনা পুথোরকখি।

## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
### অকাউ পরৈ চল্লুরবশিং

সেন্তর ওফ এক্সিলেন্সিদগী মীয়াম্না থোইদোক্না খঙনখিবা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা মেরি কোম, সরিতা মখোয়সিসু অমনি। এস এ জিগী ওইনসু হৌরকপা মতমদদি শান্নরোয় কুনমরি/কুনমঙা খক্তমক স্পোর্টস দিসিপ্লিন মরিখক্তংদা হৌরকখিবনি।

অদুবু মথং মথং হাপচিল্লত্তুনা চহী খরখক্তা শান্নরোয় মশীং খঙহেন হেঙ্গৎলকখি। তাকয়েল সাই সেন্তরদসু স্পোর্টস ইভেন্ট ময়াম অমা হাপচিল্লকপদগীদি প্লেয়র মশীং ২৫০ রোম শুরকখি।

ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগীসু মী ১০০ চনবা হোষ্টেল অমা পীবিরত্তুনা শান্নরোয় শেমগৎপদা হেন্না মপূং ফাবা হায়বদু ওইখি। দিরেক্টর ওইনা পুজরিঙৈদা ইন্টরনেসনল থাক্তা মেদল লৌবা ঙম্বা য়াওনা শান্নরোয় ১৭২ রোম পুথোক্লমখি।

অদুদসু নত্তনা অর্জুন এৱার্দ লৌবা ঙম্বা, ওলেম্পিক এরেনা য়ৌনা শান্নবা ঙম্বা ওলেম্পিয়ন খরসু পুথোকপা ঙমজখি।


অমরোমদা, সাই সেন্তর লাকপদগী ষ্টেটসিগী শান্নরোয় কয়াদা অনৌবা ইনোৎ অমা পীবা ঙমখি। সাইগী খুত্থাংদা ইন্টরনেসনেল থাক্কী খূৎশু-খূৎলায় কয়া পুশিল্লকপা, অনৌবা ষ্টেদিয়ম, শান্নফম কয়া লৈরকপদগী অনৌবা অওনবা অমসু ষ্টেটসিদা লাকখি।

কুমজা ২০০৯ দদি ঐহাক এন আই এস পটিয়ালাদা দিরেক্টর (স্কিমস) ওনা অমুক লৈরমখি। কুমজা ২০১০ দগী ২০১১ ফাওবনা সিমলাগী হায় অলটিচুদ ত্রেনিং সেন্তর, শিলারুদা দিরেক্টর ওইনা থৌ পুজরম্মী।

কুমজা ২০১২ দগী ২০১৬ ফাওবনা সাই রিজনেল সেন্তর কলকটাদা একাদেমিক দিরেক্টর ওইরম্মী। অরোইবা ওইনা সাই রিজনেল সেন্তর গুৱাহাটিদগী চহীসিগী মার্চ ৩১ দা থবক্তগী পোত্থারকখি।

চহীসিগী এপ্রিল থাদগীদি মণিপুরদা ইংনা লৈবা মীশক অমা হায়বদু ওইরে। হৌজিক হৌজিক্লা ঐগী লৈফমসি নোর্থ এ ও সিগী জোমি ভিল্লাদা লৈজরি। থবক্তগী পোত্থারক্লবসু ঐহাক স্পোর্টসকা লাপ্পবা মীশক অমা হায়বদুদি ওইগে খঙ্গদে। মরম অদুনা জিম্নাষ্টিক্স মশান্নগী করিগুম্বা খরদি তৌগে হায়না খল্লি। - লোইরবা-

# নোভাক জোকোভিচ, সবেটলনা কুজনেটসোবানা মেদ্রিদ ওপনগী সেমী ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে







মেদ্রিদ, মে ১২ :

নোভাক জোকোভিচনা মফম অসিদা চথরিবা মেদ্রিদ মাষ্টরস ওপনগী ইরাই নুমিৎতা শান্নগদবা মেচতা জপানগী কৈ নিসিকোরিনা মশাগী খুদাংদা অনাবা লৈবদগী ৱিথদ্রো তৌখিদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমী ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে হায়না ওর্গেনাইজরশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ৱর্ল্ড নম্বর নিপান্দা লৈরিবা জপানিজ অসিনা মমাঙগী থাদা পাঙথোকখিবা বার্সেলোনা ওপন্দসু মহাক্কী শোকপনা মরম ওইদুনা শরুক য়াবা ঙমখিদে। নিসিকোরিনা মথংগী চয়োলদা পাঙথোক্কদৌরিবা রোম মাষ্টরসতা মশাগী অনাবা লৈবা অসিনা মরম ওইদুনা শরুক য়াবা ঙমগদ্রা হায়বগী মতাংদা চমন্নবা লৈরি।

জোকোভিচনা সেমী ফাইনেল রাউন্দদা রফেল নদাল নৎত্রগা বেলজিয়মগী দেবিদ গোফিন অনীগী মরক্তা অমগা মায়োক্নদুনা শান্নগনি।

পনবা য়াই, ৱর্ল্ড নম্বর টু জোকোভিচনা ফেলিসিয়ানো লোপেজবু ৬-৪, ৭-৫ দা মায়থীবা পীদুনা লাষ্ট আইটতা খুমাঙ চাউশিনখিবনি।

অমরোমদা ওপন অসিগী শগোলশেল নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান এন্দি মরেনা অন সীদেদ বোর্না কোরিক্কী মখূৎতা অহুমশুবা রাউন্দগী মেচতা ৩-৬, ৩-৬ তা মায়থীহৌদুনা লৈহৌখি।

বৃটেন অসিনা অহানবা সেটতা য়াম্না শোন্না শান্নখি অমদি সার্সর্ভস গেম অহুম মাঙজখি। অনীশুবা সেটতা মরেনা মহাক্কী সার্ভিস গেম অদু ব্রোক তৌখি। অহুমশুবা গেমদা ব্রিক পোইন্ট অনী লৌবা ঙমখি। অদুমকপু এদভান্টেজ লৌবদি ঙমখিদে।

মহাক্না মহাক্কী সার্ব অদু তরেৎশুবা গেমদা সরেন্দর তৌখি অমদি মশাগী চহী ২০ শুরবা কোরিক্তা ব্রিক পোইন্ট অহুম পীথোকখি। ৱর্ল্ড নম্বর ৫৯ শুবদা লৈরিবা কোরিক্না মমাঙ থাদা মরাকেটতা পাঙথোকখিবা গ্রান্দ প্রী হাসন ট্রফী টাইটল লৌখিদুনা মহাক্কী অহানবা এ টি পি টাইটল লৌবা ঙম্বসু ওইখি।

মহাক্না মমাঙ চহীগী ফাইনেলিষ্ট অমদি মেদ্রিদকী চেম্পিয়ন অনীরক ওইখ্রবা মরেবু মপোৎ য়োমদুনা ওপন অসিদগী ইন্থোকখি।

মেচ লোইরবা মতুং কোরিক্না হায়খি, ঐনা মায় পাক্কনি হায়বসি লাকশিনবা ঙমখিদে। ঐনা মেচ অদু নিংথিনা শান্নগনি হায়বগী থাজবা লৈখিদে। অদুবু ঐনা মেচ অদু ফজনা শান্নখিদুনা মায় পাকপা ঙমখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

অদুগা ক্রাউদ ফেবোরাইট নদালনা ওষ্ট্রেলিয়াগী নিক ক্রিগিওসপু ৬-৩, ৬-১ দা মায়থীবা পীদুনা মায় পাকখি।

অতোপ্পা মেচতা থিয়েমনা মেচ পোইন্ট মঙা সেভ তৌখিদুনা গ্রিগোর দিমিত্রোবপু অহুমশুবা সেটকী টাই ব্রেক্তা ৪-৬, ৬-৪, ৭-৬ (১১-৯) দা মায়থীবা পীখি।

মশাগী চহী ২০ শুরবা জর্মনগী আলেকজেন্দর জেবরেবনা মখা তানা মহাক্কী মশক থোক্লবা পার্ফোমেন্স অদু পীখিদুনা ১১ শুবা সীদ টোমাস বার্দিসবু ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থীবা পীখি। জেবরেবনা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা পাব্লো ক্যুবাসকা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি। পাব্লো ক্যুবাসনা বেনোইট পিয়রবু ৭-৫, ০-৬, ৬-১ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

নুপীগী মেচতা ইগনি বৌচার্দনা শগোলশেল নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা নিপানশুবা সীদ সবেটলানা কুজনেটসোবাগী মখূৎতা ৬-৪, ৬-০ দা মায়থীদুনা লৈহৌখি।

কুজনেটসোবানা সেমী ফাইনেল মেচতা ফ্রান্সকী ক্রিষ্টিনা মালেদেনোবিক্কা মায়োক্নদুনা শান্নগনি। অদুগা অনাষ্টাসিজা সেবাষ্টোবানা অতোপ্পা সেমী ফাইনেল মেচতা রোমানিয়াগী অহুমশুবা সীদ সেমোনা হালেপকা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

সিমোনা হালেপনা কুকু বান্দেৱেগেবু ৬-১, ৬-১ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখি। মহাক্না সেমী ফাইনেল মেচতা অনাষ্টাসিজা সেবাষ্টোবাগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি। অনাষ্টাসিজা সেবাষ্টোবানা কিকি বার্টেন্সবু ৬-৩, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখিবনি।

পনবা য়াই, নোভাক জোকোভিচনা মেদ্রিদ মাষ্টরস ওপনগী য়ূমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা য়াম্না ৱানা মায় পাকখি। জোকোভিচনা মহাক্কী মতম কুইনা লোইনরক্লবা কোচকা হন্দক্তা লাপথোক্লখিবা মতুং অহানবা ওইনা শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা নিকোলাস অলমার্গোবু ৬-১, ৪-৬, ৭-৫ দা মায়থীবা পীখি।

জোকোভিচনা লাষ্ট সিক্সটিনগী মেচতা ফেলিসিয়ানো লোপেজগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি। ফেলিসিয়ানো লোপেজনা গিলেস সিমোনবু ৬-৩, ৩-৬, ৭-৬ (৭-৬) তা মায়থীবা পীখিবনি।

রফেল নদালনা ইটালিয়ন ফোগনিনিবু ৭-৬ (৭-৩), ৩-৬, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা লাষ্ট সিক্সটিন্দা খুমাঙ চাউশিনখি। গ্রান্দ স্লাম ১৪ রক লৌখ্রবা নদালনা লাষ্ট সিক্সটিন মেচতা ওষ্ট্রেলিয়াগী নিক ক্রিগিওসকা লম্বা তৌদুনা শান্ননবা খোঙফম শেমখিবনি।

ৱাথোক ওইরবা ওষ্ট্রেলিয়ন ক্রিগিওসনা অমেরিকাগী রয়ান হরিসনবু ৬-৩, ৬-৩ দা মায়থীবা পীখিবনি। মঙাশুবা সীদ মিলোস রাওনিক্না গিল্লেস মুল্লরবু ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা লাষ্ট সিক্সটিন্দা চঙখি।

# য়ৌনিসনা অফঘানগী কোচ ওইগনি হায়বা রিপোর্টপু য়াখিদ্রে



করাচি, মে ১২ :

পাকিষ্টানগী বেট্টিং ষ্টালৱার্ট য়ৌনিস খাননা মহাক্না রিটয়ার্দ তৌরবা মতুং অফঘানিষ্টানগী কোচ ওইগনি হায়না রিপোর্ট তৌনরকখিবা ৱাফমবু য়াখিদ্রে।

অফঘানিষ্টান ক্রিকেট বোর্দকী চ্যেরমেন অটিট মাসেলনা হায়খি মদুদি য়ৌনিসনা অফঘানিষ্টান টিমগী কোচ ওইবদা অয়াবা পীখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

অদুমকপু য়ৌনিসনা মহাক্না মঙোন্দা পীরক্লিবা কোচকী ফম্বু য়াখিদে হায়বগী ক্লারিফাই তৌখি। মহাক্না হায়খি, হৌজিক ঐবু কোচ ওইনবগীদমক ওফর তৌরকপদা অয়াবা পীবা লৈত্রি। ঐনা রিটয়ার্দ তৌরবা মতুংদা ঐ ইশানা ঐগী তুংদা লাক্কদবা থবক থৌরম অদু লেপচগনি অমদি অফঘানিষ্টানগী টিমবু ঐনা কোচ ওইগনি হায়না রিপোর্ট তৌনরিবা অসি য়াবা ঙমদে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

পাকিষ্টান অমদি অফঘানিষ্টান অনীগী মরক্তা য়ানবদা লৈরিবনি। পাকিষ্টান ক্রিকেট বোর্দনা অফঘানিষ্টানবু মখোয়গী লৈবাক্তা লাক্তুনা ক্রিকেট মেচ শান্ননবা হায়খিবদা মফম অদুগী সিক্যুরিটিগী য়েংলগা শান্নবা ঙম্লোই হায়না ফোঙদোকখিবা অদুদা পাকিষ্টান্না ৱারৌবা লৈরি।

## সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঃ
# বি এস য়ুনা পি জে পি সীবু, ৱাই দি সী এলনা এন এন সী কে এবু মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, মে ১২ : ইষ্টর্নয়ুনাইটেদ স্পোর্টিং ক্লব তেলৌগী প্লেগ্রাউন্দদা তেলৌ জোইন্ট কোওপরেটিভ ফার্মিং সোসাইটি লিমিটেদ ত্রোফি লমলাই কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ মেন'স ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট কম্মিটি ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দগী মেচতা বি এস য়ু নোংপোক ককচীংনা পি জে পি সী পুখাওবু ২-০ দা অদুগা অনীশুবা গ্রাউন্দগী মেচতা ৱাই দি সী এল পুংদোংবম্না এন এন সী কে এ নোংগ্রেনবু ৪-১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

অহানবা গ্রাউন্দগী মেচতা বি এস য়ু নোংপোক ককচীং অমদি পি জে পি সী পুখাও অনীনা শান্নরকখি। বি এস য়ুনা মেচ অদুদা মতিং লৈনা শান্নরকখিদুনা মায়োক্নখিবা টিমগী সাইদতা অকনবা এটেকশিং তৌখি। পি জে পি সীসু বি এস য়ুগী মায়কৈদা অকনবা লম্বা তৌদুনা এটেকশিং তৌখি।

টিম অনীনা অহানবা হাফ ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্মদনা লৈনখি। অনীশুবা হাফতা বি এস য়ুনা মায়োক্নখিবা পি জে পি সীগী মায়কৈদা তৌখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৪৬ চৎপা মতমদা লেম্বনা গোল অমা চন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি।

মখোয়না গোল চনখিবা ইকুই কুইদনা অমুকসু হন্না মেচকী মিনিট ৫০ চৎপা মতমদা লেম্বনা গোল অমগা অমুক চনশিন্দুনা পি জে পি সীবু মায়থীবা পীখি। মেচ অদুদা বি এস য়ুগী গোবিন অমদি অরুনজিৎপু রেফ্রিনা কোসন পীখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দগী মেচতা ৱাই দি সী এল অমদি এন এন সী কে অনীনা শান্নরকখি। ৱাই দি সী এলনা মায়োক্নখিবা টিমগী সাইদত তৌখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ১৩ চৎপা মতদা মালেমঙানবনা গোল অমা চন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি।

এন এন সী কে এসু মায়োক্নখিবা ৱাই দি সী এলগী মায়কৈদা তৌখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৩০ চৎপা মতমদা নাওচানা গোল অমা চনশিনখি। অনীশুবা হাফতা ৱাই দি সী এলনা তৌখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৩৩ চৎপা মতমদা মালেমঙানবনা গোল অমা, মেচকী ৩৪ চৎপা মতমদা সনামচা অমদি মেচকী মিনিট ৫০ চৎপা মতমদা লকিসন্না গোল অমমম চন্দুনা এন এন সী কে এবু মায়থীবা পীখি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ – ৪৭

1. মহাক টাইক্কান্দোদা ব্লেক বেল্ট ফংবি অহানবা ইন্দিয়াগী মুসলিম নুপীনি। মহাক্কী মমিং করি কৌবগে?
2. ওলেম্পিক চেম্পিয়ন অমগী মমিং লৌদুনা থোনখিবা টাউন মচা অমগী মমিং হায়য়ু?
3. 'বোদি-লাইন' সেরিজ (ক্রিকেট) তা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়া মচা অদুগী মমিং হায়য়ু?
4. অহানবা নোর্থ ইষ্ট গেমসতা নুপীগী জিম্নাষ্টিক্সতা বেষ্ট ওল রাউন্দগী মনা ফংখিবী নুপী অদুগী মমিং হায়য়ু?
5. উৎলিবা লাই (ফোটো) অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ১৫ নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নন্না খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ত্রান্সফর ২০১৭-১৮ চথরি

ইম্ফাল, মে ১২ : ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন (অম্ফা) গী থৌশিল মখাদা চথরিবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট প্লেয়র ত্রান্সফরগী ঙসি হুমনি চনবা নুমিৎতা প্লেয়র ২৭ না এপ্লাই তৌখ্রে। ঙসি এপ্লাই তৌখিবা শান্নরোয়শিং অসি য়াওরগা হৌজিক ফাওবদা অপূনবা শান্নরোয় ৭৯ না এপ্লাই তৌখ্রে। হুমনি চনবা নুমিৎতা ত্রান্সফর এপ্লাই তৌখ্রবশিং মখাদা পীরি।

| Sl.No. | Name | From | To | Category |
|---|---|---|---|---|
| 1 | TH. BRAINY SINGH | RAU (IE) | YDO (IW) | AMATEUR |
| 2 | S. JITEN SINGH | FC MOIRANG (BPR) | XI-STAR SU (IE) | -DO- |
| 3 | KH. JOLLY SINGH | KLASA (BPR) | NISA (IW) | -DO- |
| 4 | BIBENDRO THOUNAOJAM | SAI UTLOU (BPR) | XI-STAR SU (IE) | -DO- |
| 5 | PH. NARAYAN SINGH | FC MOIRANG (BPR) | XI-STAR SU (IE) | -DO- |
| 6. | N. BOYNAO SINGH | DMRAO (IW) | XI-STAR SU (IE) | -DO- |
| 7. | L. ABUNG SINGH | YPHU (IW) | XI-STAR SU (IE) | -DO- |
| 8. | TH. DONADONI SINGH | SAI-UTLOU (BPR) | XI-STAR SU (IE) | -DO- |
| 9 | M. PROMARIO SINGH | YSWA (BPR) | XI-STAR SU (IE) | -DO- |
| 10 | L. BIDYANANDA SINGH | KYVO (BPR) | XI-STAR SU (IE) | -DO- |
| 11 | L. JEKOP SINGH | PYA (IE) | NISA (IW) | -DO- |
| 12 | NG. PETER SINGH | SKYC (IW) | USA (IE) | -DO- |
| 13 | N. BIDYALUXMI DEVI | WFA (KAK) | KRYPHSA (IW) | -DO- |
| 14 | Y. PRITAMCHANDRA GHOSH | LPYC (TBL) | PYA (IE) | -DO- |
| 15 | KH. LUCKY SINGH | LPYC (TBL) | PYA (IE) | -DO- |
| 16 | TH. THOITHOIBA SINGH | UBSA (KAK) | PYA (IE) | -DO- |
| 17 | DHANACHANDRA KSHETRIMAYUM | YWC(L) (IW) | PYA (IE) | -DO- |
| 18 | NG. JITEN SINGH | KLASA (BPR) | YOSC (IE) | -DO- |
| 19 | TH. RAMANANDA SINGH | NISA (IW) | YOSC (IE) | -DO- |
| 20 | H. SUMANTA SINGH | YSWA (BPR) | TRAU (IW) | -DO- |
| 21 | TH. NIKESH | KIYC (IE) | BMSC (IW) | -DO- |
| 22 | S. MICHAEL SINGH | ESU (IE) | BMSC (IW) | -DO- |
| 23 | W. BIJEN SINGH | XI STAR SU (IE) | BMSC (IW) | DO |
| 24 | F.M. MUSTAKIM | LYVO (BPR) | BMSC (IW) | -DO- |
| 25 | N. BIJOY SINGH | AMOFA (BPR) | BMSC (IW) | -DO- |
| 26 | O. SHANTA SINGH | UKCCL (BPR) | ESU (IE) | -DO- |
| 27 | NGAMGOULEN HAOKIP | UKCCL (BPR) | ESU (IE) | -DO- |

## এ এফ সী গ্রাসরুট দে থৌরম পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, মে ১২ : ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা) না শিন্দুনা লাক্লিবা মে ১৪ গী অয়ূক পুং ৭ তাবা মতমদা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈরিবা আর্টিফিসিএল টর্ফ গ্রাউন্দদা এ এফ সী গ্রাসরুট দেগী থৌরম পাঙথোক্লগনি হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন্না থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা ইম্ফাল সেন্তরদা লৈরিবা চহী কাঙলুপ খুদিংগী অঙাংশিংনা মে ১৪ গী অয়ূক পুং ৭ তাবা মতমদা আর্টিফিসিএল টর্ফ গ্রাউন্দদা লাক্তুনা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা) গী জেনরেল সেক্রেটরি এল রঞ্জিৎরোয়না থোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

HL-B/3860/11/05-10/06







HL-B/3847/3/5-4/6

